ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯰꯸, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯹꯹ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জুলাই ০৮, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ৯৯ শুবা মশীং

# মেদিয়া ইন্টরেক্সন

### *উমং কন্নবা লৈঙাক্কী থৌদাং পেন্নিংঙাই ওইদে*

***দিরেক্টোরেট*** ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি আই পি আর)না শীন্দুনা থা অসিগী ৪দগী পাঙথোকপা হৌখিবা থা ১ রোমগী মেদিয়া ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই। মীয়ামগা লৈঙাক্কা নহানমখৈ শমজিন্নগা দিপার্টমেন্ট পুম্নমক্কী মকোকশিং মীয়াম্না উনবা ফংবদা অমসুং মখোয়গী মোবাইল ফোনশিংদা মেদিয়ানা পাউ ফাওবা ঙম্মনবদবু চীফ মিনিষ্টরগী পাউতাক মতুং ইন্না হৌজিক্তি মখোয় পুম্নমক মিদিয়াগী মাঙদা ফোঙনা থোরক্লে। মসিমক চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীগী লৈঙাক্তা অওনবা মায়কৈ অমনি হায়না লৌবা য়াই। মণিপুর লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক করি তৌরিবগে, মীয়ামগী চাউখৎ ওইবা করি থবক থৌরাংশিং তৌরিবগে হায়বা মীপুম তিংনা খঙনিংই। অদুবু পায়খৎলিবা থবকশিং অদু ফোঙদোক্লুবগা শেলগী দিমান্দ হেনগৎলক্নি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা ওইরমগদ্রা হায়বা চিংনিনিংঙাই ওইবা মওংদা লোৎশিন্নবা হোৎনে। মসিনা লৈঙাক অসি মীয়ামগী থবক তৌদ্রে হায়দুনা হেক হেক প্রোপেগন্দা তৌনরি। হৌজিক্তি পাউমীশিংগা হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংগা নীংথিজনা ফম্মিন্নরগা মখোয় মখোয়না পায়খৎলিবা থবকশিং অদু করিনো, কদাইদা শোয়রিবগে হায়বনচিংবা খঙদোকপা ঙম্লে। মসিনা য়ারগদি অসিগুম্না মখলগী মেদিয়া ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অসি দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্তসু শিল্লগা থা ১গী মনুংদা অমুক্তং পাউমীশিংগা উনরবদি দিপার্টমেন্টকী ঈ-পাউশিং মীয়ামদা নীংথিজনা ফংহনবা ঙমগনি। পাউমীশিংনা লৈঙাক্কী মায়োক্তদা পাউ ই হায়নরবা অদুসু কোকহনবা ঙমগনি। লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং ফোঙহন্নবগী খুদোংচাবা লৌবা হায়বসিসু লৈঙাক অমগী তঙাইফদবা থৌদাংনি। মসিদা দি আই পি আরনা হন্দক লৌরক্লিবা খোঙথাং অসি অচুম্বা অমসুং তঙাইফদবনি হায়না লৌই।

মেদিয়া ইন্টরেক্সনগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ৫দা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্টকী থৌ পুরিবা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি শম্ভূ সিংহনা মণিপুরগী উমং-ৱামংগী লম মাঙশিল্লক্লে হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসিমক নুংঙাইতবা পাউনি। দিপার্টমেন্ট অসিনা উমং-ৱামং য়োকখৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনরেনি হায়রবসু হৌখিবা চহী খরা অসিদা মণিপুরদা উমং হায়বা মফমদু উবা ফংলক্তবনা দিপার্টমেন্ট অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা অশোয়বা লৈরম্না হায়বা ৱাহং অমা লাকই। লৈঙাক্তবু হোৎনগে য়াওনা হোৎনরবদা মদুগী মহয় খরদি চাদবা য়ারোই। অদুবু হৌজিক তৌরিবা মওং মতৌ অসিদি ঙসিদিগী চহী ২০গী মতুংদা মণিপুরগী লমগী অপুনবগী শক্তম অসিগী মনুংদা চহী ৭৭ উমংনি হায়না লাইরিক্তা য়াওরকপা মতমদুগী মীয়াম্না অঙকপা পোক্লুগনি। মসিগী ৱাহন্থোক্তি মণিপুরদা উমং লৈত্রে, উমং কন্নবগী থৌশীল থৌরাং পুম্বা অরেম্বা তারে হায়বসিনি। মতাং অসিদা নৈনবা য়াবা ৱাফমদি উমং হায়বসি মীওইবগী পুন্সিগা য়াম্না নকশিন্নবা মরী লৈনৈ। উমং-ৱামং কোকখিবা হায়বসি অঙৈ-অশাংগী খলদা শানিনা অকায়বা লাক্লগদবনি। মসিশিংসু মথক্তা উমংগী পোথোকশিংনা হিংলম্না মীওই লীশিং কয়াগী শুফম নোম্ফম লৈরাহৌদবনি। লৈকংলগা মান্নবা ফীভম অমা ওইরকপা য়াবনা মীওইবগী নৈফম লৈরক্তবা য়াবগী অকিবসু লৈবিবনি। অসুক মরু ওইপ্রবা দিপার্টমেন্ট অসিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা চহীগী ওইনা হাপ্লিবা বজেট অসিদি উমং য়োকখৎনবা নত্তে। অপুনবা বজেটকী চাদা ১ ফাওবা য়োৎনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা হাপ্লগা কমদৌনা উমং কনগদৌরিবনো? পুম্নমক অসিগী মথক্তা মীওইবগী হিংনবগী লম্বী হায়বসিসু য়াম্না মরু ওই। হিংনবগী লম্বী লৈরক্তবনা মরম ওইরদুনা উমং-ৱামদা তায়নরকই। কাংদোং ফারবা নৎত্রগা ফাদ্রিবা উপাল-ৱাপালশিং য়াম্থল্লে। শীং থানবা নৌরিবা পান্থিবিশিং কোকথোকলে। মৈতান লৌনবা পাম্বি কয়াগী উরু মাঙহল্লি। রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়া নৎত্রগা ওপেন ফোরেষ্টশিং মীওই কয়ানা লম্মে থাদোকই। অসুম্না উমং-ৱামংশিং তুমহনবদা নত্তনা উমং-ৱামংশিং অদুদা শৈদাংফম লৌরম্বা লম্লক্কী শা-উচেকশিং মাঙহল্লি। পূম্নমক অসি য়েংলগা মীয়ামগী হিংনবগী লম্বী পীবা হায়বসিসু মরুনি। মরম অদুনা মথং চহীদগীদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা অচৌবা শেনফম অমা হাপ্পগা উমং কন্নবা থৌদাং শীন্নসি হায়জনিংই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## মঙলান অমনা চল্লকপা পাউখোঙ

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*


**অফ্রিকাগী** উগন্দাদা লৈবা মোম্বালেন্দ হায়বা অমুবশিংনা খুন্দাবা মফম অদুগী মীওইশিংনা মীতৈগী মীং কৌনৈ অমদি সনামহী লাইনীং চৎলি হায়বসিদা য়াম্না ঙক্লুরে। মুজাও চাওবা, নাতোন পাকপা, চিনবান থাবা, মশম তেন্না খোয়বা, মীতৈলোল খঙদবা মখোয়গী মীংনি ইবোহল, শকহেন, থৱাইজাও, থম্বাল, পাকপী, ওইনাম, শোইবম, হৈখাম, কুমাম অসিনচিংবা। মীংশিংদু তাবদা থাজদনা নোক্লিংখি। সনামহী ইরাৎপগী মওংনা অশিবগী মঙক কল্লগা তুম্বাদু য়ূমগী কাচিন্দা থমদুনা লাৎপা, নুমিদাংদা য়ূমগী মীওইশিং পূন্না য়ু থকমিন্নবা, লৈশাবী ওইনা য়ূম পানবা য়াদবা, খ্বাইদগী কুইনা থবক শুদনা তুম্বা ঙম্বা মীবু ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা লাইগী গুণ চেনবনি থাজনবা খরা অসি পনবা য়াই। মখোয়গী হিংননবগী লম্বীদি উমংদা শা তান্দুনা অমদি উহৈ-ৱাহৈ থিদুনা চাবনি। মতমগী মতুং ইন্না লাইরিক লাইশু হৈবা মী য়াম্না লৈরে অদুবু মখোয়গী চৎনবী অমদি থাজনবদি হোংদ্রি।

মখোয়গী লুচিংবা অমা ওইরিবা শুং-শুং তোম্বনা হায়বদা সনামহী লাইনীং চৎলুবনা কংলাদসু লাই খুরুম্বা মী য়াম্না চৎলি হায়। মখোয়না খ্বাইদগী নুংশা থিজবদি মখোয়গী শক্তম (আইদেন্টিটি) মাঙখিগদ্রা হায়বসিনি। ঐনা মখোয়গী আইদেন্টিটিসিদি মরীং-মরাংঙে, ইয়ান-য়ানশিন্নদুনা চরক-চহিং নাইরে হায়রুবদা শুং-শুং তোম্বনা শাউদুনা ঐগী চরম মেৎলগা হাৎকে তৌরকপদা খংপ্রেক খঙনা মীকপ থোরকখি। ৱাখল তারক্লবদা ফমুংদা হিপ্না হিপ্না খল্লকই- ঐখোয়বুসু মীনা নোক্লরম্মোইদ্রা? নাতোন নম্বা, মীৎ খুবা, হিন্দি খঙদবা মোঙ্গোলিয়ান ঐখোয়গী মীংনি - চন্দ্রকুমার সিংহ, নবকিশোর, প্রিথিবিরাজ, সদানন্দা, রতন, ধনবির, কুঞ্জরানি, সরিতা, মন্দাকিনি, সুসমিতা... লাই নীংদনা ষণ চাবা হিন্দুনা অয়াম্বনি। বৃন্দাবন চৎপদা খুদোংথিবা থোকহনবীগনু হায়দুনা সনামহী খুরুম্লগা চৎলিবা ঐখোয়না লাউরি 'ঐখোয়গী শক্তম (আইদেন্টিটি) ঙাক্কদবনি'/করম্বা শক্তম? করম্বা আইদেন্টিটি? কনানা ঐখোয়বু উশিৎপীগনি? মঙলান অমনা চল্লকপা পাউখোঙনি।

*অদোমগী - য়ুম্নাম মঙাল মীতৈ*
*থেঙ্গ্রা লৈরক চুড়াচান্দপুর*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১২

১। 'কংস বধ' গী অইবদু কনানো?
২। 'লৈচিল্লক্কী থাজ' করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৩। 'মমাদো লৈশাবীদো অঙাওবীদো' কনানা ইবনো?
৪। পরিষদনা ফোঙবা 'রঘুবংশ মহাকাব্য' মণিপুরীদা কনানা হন্দোকখি?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৮, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি।

লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

### হায়নবা লৈ ঃ

*চফূদি মী মুক্তে উয়ান্দি মী মুৎলি।*


# আই এ এস তোপ্পর তিনা দাবি অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী স্কুল থৌশিল

### অওনবা মালেম

## সৌবাম তোম্বা লুৱাং



শক্লাইরবী তিনা দাবি




আই এ এস কোচিংগী ফোর্ম

**মালেমগী** অওনবা কয়াসিগী মনুংদা মণিপুরদসু অওনবা কয়া লাক্তবা নত্তে। মণিপুরদা ওইরক্লিবশিংগী মনুংদা গভর্ণমেন্টকী থবকশিংসুনি অদুগা লনাই মীওইশিংনা পুরকপসু য়াওরিবনি। খঙদ্রে করিবু হায়গদবনো, লনাই মীওইনা পুরকপা অওনবা কয়ানা গভর্ণমেন্টনা পুরকপা অওনবশিংদগী য়াম্না হেনবা য়াওরি।

কুমজা ২০১৫ গী আই এ এস তোপ্পর তাখিবী তিনা দাবি লাক্লম্বদুসু মণিপুরগী অওনবা অমনি। অদুবু গভর্ণমেন্টকীদি নত্তে। ককচীংগী মীয়ামসিসু ঙক্তবা ঙমদে। করিগুম্বা থবক অমা তৌরসি হায়না লেপ্লবদা তৌবা ঙম্বগী থৌনা লিংজেল অমদি লৈ। মখোয় লোয়নমক চপ হেক্তা মান্নে। হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয় কয়াগী পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা তিনা দাবিবু ককচীংদা কৌরিবদুনি। মহাকসু হেক্তা লাকই ইমুং মনুং হুপ্পা। ককচীংদসু নত্তে লিংজেল মান্নরিবসি তিনাগী ইমুং মনুংসুনি। অমনা অমবু হেনবা লৈতে ৱাৎপসু লৈতে। লোল মান্নদে, চীঙ্গাক খেন্নে, শক-চু তোঙাল্লি অদুবু অনীসি অমনা হায়বদা অমনা তায়। মান্ন-মান্নবা উচেকশিং শঙ্গু-শঙ্গু পাইমিন্নে হায়বদুনি। হন্দক ককচীংনা তিনা দাবি কৌথোকপসি লমদমসিগী মহৈরোয়শিংদা য়াম্না কান্নবা পীবা থৌওং অমনি। লমদমসিদা ফিদম্নফম ওইরে। মহৈরোয় কয়ানা মহাক্ল ওইরিবা থাক অসি য়ৌবা পাল্লি। য়ৌনীংবগী ৱাখল ফাউরক্লি। মসিসু অফবা অওনবা অমনি। লমদমসিগী নুপী মহৈরোয়শিংদদি হেন্নদুম ইনোৎ অমা পীরে। নীংশিংবা য়াই, আই এ এস ফংখিবী খুমন্থেম দাইনা। মহাক্কী মতৌসু তম্নিংবা ফাউরিবনি লমদমসিগী নুপীমচাশিংনা। মদুদগীসু অমুক হন্দক তিনা দাবি লাকপসিদদি আই এ এস ফংনিংবগী ঈনোৎ অমা কন্না ফাউরক্লি লমদমসিগী নুপীমচা মহৈরোয়শিংদা। লাইরিক ফবসু নুপীমচাশিংনা হেল্লিবনি। মণিপুরদা আই এ এস/আই পি এস ফংবা হায়রগদি ত্রাইবেলশিংখক্তনি হায়না খন্নরম্মী। অদুবু মীতৈশিং য়াওখৎলকপসিসু অনৌবা অওনবা অমনি।

খ্বাইদগী মকোক থোংবমক ঙমদ্রবসু আই এ এস ফংবা ফাওবদি ঙম্বা য়াই হায়বসিনি মীয়াম্না খন্নরিবসি। অদুবু মসিগী থবক অসিদি অরায়বা অমদি নৎত্রি। মহৈ নীংথিনা হৈবা মী নৎত্রবদি ওইথোকপা য়ারোইদৌরি। তিনা দাবিসু মহৈ নীংথিনা হৈবী মী অমনি। অদুনবু ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা খ্বাইদগী মকোক্তা লাকপা ঙম্লিবনি। মদুসু অহানবা থাবদা ফাওবা ঙম্লিবনি। মসি মহৈ নীংথিনা হৈত্রবদি করম্না ওইগনি। লাইবক্লা তম্বা য়াবা থবক নত্তে। মহাক্কি অঙাং ওইরিঙৈগী রেকোর্দ হঙ্গৎনা য়েংলুবা মতমদা মহাক লাইরিক ফনা হৌরকই, হোৎনবসু য়াম্না কনবা নুপীমচা অমনি। পুম্নমকসিগী মথক্তা মহাক অফবা স্কুলদা মহৈ তম্লকই। মশানা ফবগা অফবা মমিং লৈবা স্কুলদা তম্লকপগা অনীসি পাশিনখিবনি। অমরোমেদা মীকোক থোংবা ঙম্নবা মমা-মপানসু শেন্দীবা হায়বসিসু য়াম্ন মক মরু ওইরি। মমা-মপানা শেন্দীবা হায়বসিদি অমরোমদা মীওই খুদিংমক্কীনি। তিনা দাবি কুমজা ১৯৯৩ গী নবেম্বরগী তাং ৯ দা মধ্য প্রদেশকী ভোপালদা পোকখি। মফম অদুদসু অফবা স্কুলদা মহৈ তম্বা হৌরকখি। মহাক্না ক্লাস সভেন তম্বা মতমদা মখোয়গী ইমুং মনুং দিল্লিদা য়ূম হোঙলকখি। দিল্লিগী য়াম্না মমিং লৈরবা কনভেন্ট স্কুল ওফ জেসস এন্দ মেরি হায়বা স্কুল অদুদা মহৈ তম্লকখি। মথংদা অমুক ইন্দিয়াগী ওইনা মমিং লৈরবা লেদি শ্রিরাম কোলেজ ওফ কম্মর্স হায়বসিদা তম্লকখি। মসিগী কোলেজ অসিদা তম্নবা পাক্লা মিং চনবা ফংবা নত্তে। য়েংবা য়াই মহাক অফবা মহৈরোয় অমনি হায়বসি মতাং অসিদা। কম্মর্সতা প্রি-য়ুনিভর্সিটি লোইরবা মতুংদা বি এদদি মহাক মখা তানা কম্মর্স লৌবা তোল্লগা পোলিটিকেল সাইন্সতা মিং চন্দুনা তমখি। মহাক্লা লৌরক্তবা সবজেক্ট অমা বি এদা লৌবা হায়বসিসু অরায়বা অমদি নত্তে।

আই এ এস থাগে হায়বা মীওই অয়াম্বা দিগ্রি লোইরবা মতুংদা কন্না হোৎনবা ঙাক্তনি। অদুবু তিনা দাবিদি মহাক্লা বি এ তম্নবগী মিং হেক চনবগা আই এ এস থানবগী কোচিং য়াওনবা লনাই কোচিং সেন্টর অমদা মিং চনশিনখি। মতম অদু কুমজা ২০১১ দনি। বি এগীসু কোচিংগীসু অনীমক্কী লাইরিক পারল্লিবনি। মসি শেল চঙবা থবক অমনি। মহাক্কী মমা-মপাসু তলব চাবা এঞ্জিনিয়র ঙাক্তনি। হৌজিক্কী মতমদা অফবা স্কুলদা তম্বা অমদি আই এ এস ফংনবা কোচিং য়াওবা হায়বসি লাইরিক ফনা ফবা মহৈরোয় ওইদুনসু ইমুংদু শেল পায়বা নৎত্রবদি ঙম্বগী ৱা লৈত্রে। মতাং অসিদা মণিপুরগী ফীভম য়েংবা য়াই মদুদি মণিপুরদগী মীওই কয়া আই এ এস ফংবা ঙমখ্রে। অদুবু মখোয়শিংদু অফবা স্কুল/কোলেজদা তম্লকপনা অয়াম্বা ঙাক্তনি। অমরোমদা অমুক লাইরিক্তি ফবা অদুগা অফবা স্কুলদা তম্বা ঙমদবা অঙাং কয়া মণিপুরদা লৈরমগনি। অমুকসু ইমুং মনুংগী শেন্থোক লৈতবনা কোচিং য়াওনবগী খুদোংচাবসু লৈতবা কয়া লৈরি। মখোয়শিং অদুদি 'লাইজনুংগী মনি নারক্কী লৈরাং' হায়বদুগা মান্নরে। মহয় চাবা য়াবা কয়া চাবা ফংদনা/চাদনা কংদুনা মফম মরাং খঙদনা লোইখিবা হায়বসিসু অফবা/চাউখৎপা লমদম অমগী ৱারী নত্তে। ঙসিদি লমদম অসিদা অফবা স্কুল হায়না থিনরকপদা প্রাইভেট স্কুলশিং অসি ওইনা লৌনরে। মসিদা মিং চনবদি লায়রবা ইমুং অমনা চাদিং তৌবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈখ্রে। অঙাং অমা মিং চনবদা য়ামদ্রবদা লুপা লিশীং তরাগী মথক্তা চঙলি। মসিগী মথক্তা থাগী ফী অমদি অতৈ অতৈ কয়াসুনি। অঙাং অনী-অহুম ইমুং অমদগী তম্লবদি লায়রবা ইমুং অমদদি করি ওইগনি। অদুনদি লায়রবা ইমুং অমদা আই এ এস/আই পি এস ফংবা য়াবগী ওইথোকপা লৈবা অঙাং য়াওরবসু মফম খঙদনা তোকখিবা তাবনি। লায়রবা মমা-মপাদুনসু মীকোক থোংনবগী ৱাখল কদোমদগী লাক্কনি হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহং ওইরি ঙসি। য়েংবিয়ু লমদম অসিদা ফুন্দ সেক্যুরিটি এক্টকী চেঙ য়েনবদা লায়রবা ইমুং কয়ানা ফংফম থোকপা চেঙ শুনা পীবিদ্রে হায়না ঈহৌ হৌরি। প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াগী মমাঙদা পেন্দবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরি, লায়রবা মপান থোক্লদুনা ফংগদৌরিবা চেঙ অদুসু য়াম্বসু নত্তবা। অদুনদি লমদম অসিদা লায়রবা ইমুং কয়া য়াম্না লৈরবগে হায়বদু খঙবা ঙম্লে। মখোয়গী মচা মশুশিংগী মনুংদা মী ওইগদবা অঙাং শোয়দনা য়াওরমগনি। অদুবু অফবা স্কুলদা মহৈ তম্বদি ফংদ্রে। মসিসু মীওইবগী ফংফম থোকপা হক ফংহন্দ্রবা হায়বদুনি। অঙাং অমা পোল্লবদি শোয়দনা মহৈ তম্বা হায়বসি শোয়ফদ্রবা থবক অমনি।

মণিপুরদদি খেন্নবা কয়া লৈরে পীক্লিবা অঙাংশিংগী মরক্তা। শেল পায়বা ইমুংগী অঙাংশিংনা প্রাইভেট স্কুলদা মহৈ তম্বা ফংলে অদুগা লায়রবা ইমুংগী অঙাংশিংনা গভর্ণমেন্টকী স্কুলদা মহৈ তম্লি। অঙাং কয়া অমনা লায়রমনবদগী গভর্ণমেন্টকী স্কুলদা ফাওবা মহৈ তম্বা ঙমদ্রি। অমরোমদা গভর্ণমেন্টকী স্কুলদা মহৈ তম্লিবসিসু তম্নিংদুনা তম্বা নত্তে। য়াদবগী/ঙমদবগী তম্লিবনি হায়না খঞ্জবা অঙাং কয়াসু য়াওরিবনি। শম্না হায়রবদা অঙাং পুম্নমক ঙসিদি প্রাইভেট স্কুলদা লোয়না মহৈ তম্নিংই। মসিগী চুম্বা লানবদুনা নাকল অমদা থমখ্রবসু মীয়ামনা কন্না থাজনরিবদি গভর্ণমেন্ট স্কুলদগীদি প্রাইভেট স্কুলনা ফবা হেল্লি হায়বসিনি। অদু ওইরবদি গভর্ণমেন্ট স্কুলদি অফবা স্কুল ওইবা ঙমদবরা/য়াদবরা? য়াদবা নত্তে ঙমদবা নত্তে। মমাঙঙৈদদি গভর্ণমেন্টকী স্কুলশিং অসি অফবা ঙাক্তা ওইরম্লিবনি। অদুবু ঙসিদি প্রাইভেট স্কুল কয়া লিংখৎলকপদগী গভর্ণমেন্টকী স্কুলশিং অসি শিথরকপনি। প্রাইভেট স্কুলসু লিংখৎলকসনু কায়দে অদুবু গভর্ণমেন্টকী স্কুলসু মমাঙঙৈদা লৈরম্বা ৱাংলবা থাক অদুদগী হন্থরকপদি চুমদে খল্লি। অদুবু ঙসি ওইরিবা ফীভমসিদি প্রাইভেট স্কুলনা ফীভম ফগৎলকপা অদুগা গভর্ণমেন্ট স্কুলনা ফীভম শোকচিল্লকপা হায়বদুনি। স্কুলগী মশীংদি গভর্ণমেন্ট স্কুলনা প্রাইভেট স্কুলদগী হেল্লিবনি। শেল থুম, ওজা অমদি অতৈ পৱার কয়া গভর্ণমেন্টকীদি অৱাৎপা লৈতে। ৱাৎলিবা হায়ববু গভর্ণমেন্টকী থৌনা, মিৎয়েং শানবা অদুখক্তনি। গভর্ণমেন্ট স্কুলনা ফজনা মথৌ তৌরবদি মহৈ তম্বদা শেল য়াম্না চঙলোইদবনিনা লায়রবা অমদি ইনাক খুনবা ইমুংগী অঙাংশিংসু মহৈ তমহন্নিংগনি। ইনাক খুনবা ইমুংগী অঙাংশিংসু প্রাইভেট স্কুলদা মচা মশুশিং তমহন্নিংবা নত্তে করিনা হায়ববু অরেম্বদা শেল চৎখিবা হায়বসি কনাসু পাম্বা নত্তে। গভর্ণমেন্ট স্কুলনা ফগৎলকপদা প্রাইভেট স্কুল লিংখৎলকপগী চাং য়াম্না হন্থরক্কনি। অদুগা অমরোমদা মণিপুরদা অঙাং মহৈ তমদবগী মশীং য়াম্না হন্থরক্কনি। মসিনা লমদম অসিদা অকিবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোকপদগী খরমখৈ থিংবা ঙমগনি। মহৈ তম্বা হায়বসি অফবা/কান্নবা মায়কৈদা অওনবা পুরক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বী অমনি। অদুগা লায়রবা ইমুংদগীসু আই এ এস/আই পি এস ফংনবগী লৌহোল হুনফম লৌবুক ওইহনবা ফগনি খল্লি।

# বি জে পী লৈঙাক্কী পে-রিভিজন মরীল চৎলে

### মতম মতমগী ৱাফম

## সেঞ্জম দেবেন




**ইন্দিয়া** লৈঙাক লৈরকঙৈদগী ঙসি ফাওবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌমীশিংগী খূৎশুমলগী চাং লেপ্পদা, হন্দক বি জে পী লৈঙাক্লা লেপ্লকখিবা অসিগুম্না মমাঙদা অমুক্তা ফাওবা নেমথনা লেপ্লকখিদ্রি। থৌদৌসিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পাল্লকঙৈদগী হৌনা লেপ্লকপা খূৎশুমলশিংগী চাংদা, হন্দক্কী ৭ শুবা লেপ্পসিনা খ্বাইদগী নেম্বগী থাক্তা রেকোর্দ ওইহল্লে। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা চহী ১০/১০ খুদিংগী লৈঙাক্কী থৌমীশিংগী খূৎশুমলগী চাং নৌনা লেপ্পগী থবক পাঙথোক্লকই। অসুম্না, ইন্দিয়া লৈঙাক লীংলকপা চহী ৭০ গী মনুংদা, হন্দক বি জে পীনা ইন্দিয়া লৈঙাক পায়বনা ৭ শুবা ইন্দিয়াগী থৌমীশিংগী খূৎশুমল নৌনা লেপ্পগী থৌদাংসি বি জে পী লৈঙাক্কী তর্ন তারকখিবনি। লাইবক থিবদি, বি জে পীনা হন্দক লেপ্লকখিবা খূৎশুমলগী চাংসিনা ইন্দিয়াগী থৌমীশিংদা খ্বাইদগী মথোং হুক্তবা, খোয়শাউননীংঙাই ওইহনবা অমসুং ওইথোকপা য়ারোইদৌবা খূৎশুমল অমা ওইরকখিবনি। থৌদৌসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ময়ায় লোইশঙশিংগী অপূনবা থৌমীশিংনা লাক্লিবা জুলাই ১১ দগী হৌনা ইন্দিয়া শিন্থুংনা ইন্দিফিনিট ষ্ট্রাইক চঙশিন্নবগীদমক শেম শাখিবনি। ময়ায় লোইশঙগী থৌমীশিংদা নত্তনা ষ্টেট লৈঙাক্কী থৌমীশিংনসু ৱান দে ষ্ট্রাইক শৌগৎকনি হায়দুনা থাজবা পীরকখিবনি। অদুবু হৌখিবা জুলাই ৬, য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী ময়ায় লোইশঙশিংগী অপূনবা লূপ, এন জে সি এনা দিল্লিদা ষ্ট্রাইক্কীদমক অরোয়বা মীফম ফমখি। মীফমদুদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা কম্মিটি শেমদুনা অথুবা মতমদা খূৎশুমলগী ফিটমেন্ট ফোর্মুলা অমসুং খ্বাইদগী পীকপা খূৎশুমলগী চাং অমুক হন্না রিভাইস তৌরগনি হায়রকপদগী ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা জুলাই ১১ দগী চঙশিল্লমগদবা ময়ায় লোইশঙ থৌমীশিংগী মতম কক্তবা ষ্ট্রাইক্তু মতম খরগী ওইনা হন্দোকখিবনি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর অমদি কেবিনেট সেক্রেটরিনচিংবদা ষ্ট্রাইকসিগীদমক পীশিনফম থোকপা খঙহনচেশিং মাঙজৌননা পীশিনবা লোইরুরে। অদুম ওইনমক তাঞ্জাসিদা, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ময়ায় লোইশঙগী থৌমীশিংদা খ্বাইদগী পীকপা খূৎশুমলগী চাং ৱাংখৎহল্লগনি অমদি বেসিক পে লেপ্নবগী ফিটমেন্ট ফোর্মুলাসু হোংলগনি হায়না থাজবা পীরকখি। হীরমসিগীদমক প্রাইম মিনিষ্টরনা হোম মিনিষ্টরদা পাউ খঙহল্লকখি। লোয়ননা ফাইনান্স মিনিষ্টরনা ফোর্মেল ওইবা ওর্দর অমসু থোকখি। থৌদৌসিদগী ইন্দিয়াগী ময়ায় লোইশঙশিংগী থৌমীশিংনা চঙশিল্লকখিবা ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং, তঙাইফদনা মতম খরগী ওইনা হন্দোকপা তারকখি। ফীভমসিনা ইন্দিয়াগী ময়ায় লোইশঙশিংগী থৌমীশিংগী লূপ, নেসনল জোইন্ট কাউন্সিল ওফ এক্সন্স (এন জে সি এ) না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ফীরেপসিবু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা তঙাইফদনা ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং হন্দোক্লকখি। অদুবু মখা তানা কুইথরল্লবদি হান্ননা শেম-শাখ্রবা ষ্ট্রাইক্কী খোঙজংদুমক অমুক হন্না চঙশিল্লক্লোইসু হায়নীংঙাই লৈতে হায়বা ৱাফম ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মফমদা মরীক চুম্না থমখি। নীংশিংবা য়ারিবদি, লূপ অসিনা মাঙজৌননা চখুরক্কদৌরিবা ইন্দিফিনিট ষ্ট্রাইক অসিনা ইন্দিয়াগী রেকোর্দতা খ্বাইদগী হেন্না পাক-চাউবা অমসুং লূম্না চঙশিল্লকপা ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং অমা শোয়দনমক্কী ওইহল্লগনি হায়বগী ৱাফম ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মফমদা মাঙজৌননা থমখিবদুনি। ইন্দিয়ান রেলৱে ষ্টাফ, দিফেন্দস, পোষ্ট এন্দ টেলিগ্রাফ অমদি আই এন্দ এ দিনচিংবা দিপার্টমেন্ট কয়ামরুম্না লুচিংদুনা লাক্লিবা জুলাই ১১ গী অয়ূক পুং ৬ তগী হৌনা চঙশিল্লমগদৌবা ষ্ট্রাইক্তুমক শোয়দনমক্কী অরায়বা মখলগী ষ্ট্রাইক অমদি ওইরক্লোই হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মাঙজৌননা খঙখি। ফীভমসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক শুংশোই-শোয়দনমক্কী পেরলাইজ ওইরম্লোইসু হায়বা ঙমখিদে। ইন্দিয়াগী ময়ায় লোইশঙশিংগী অপূনবা থৌমীশিংগী মতম কক্তনা চখুগদবা থবক লেপ্পগী খোঙজংসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ইহান হান্না মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা, ৭ শুবা পে কম্মিসনগী ষ্ট্রকচর অমদি ফিটমেন্ট ফোর্মুলা পুথোক্লকখিবা নুমিত্তুদগী হৌনা চঙশিনগনি হায়দুনা লেপ্লকখিবনি। তৌবদি হন্দক্কী ইন্দিয়াগী ময়ায় লোইশঙগী থৌমীশিংগী মতম কক্তবা ষ্ট্রাইক্কী খোঙজংসিমক, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিংবশিংগী চুম্নগী হৈশিংবা কোকখক্লা ফাথবদদি শোয়দনমক্কী ৱানরমগনি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হন্দক নাকল অমরোমদা, ময়ায় লোইশঙশিংগী থৌমীশিংগীদমক পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওইবা মওংদা খূৎশুমল মতিক চানা ৱাংহল্লে, প্রাইভেট কম্পেনিশিংদা পীনরিবশিংগা চাংদম্নবা য়ানা পীরে হায়না লাউখিদু তশেংনমক লানবনি। মসিনা ইন্দিয়াগী চল্লবা মীচম-মীয়াম লাক্ষ কয়ামুক্তা চান্নমক্কী ৱাংখৎলবা খূৎশুমল অমা পীগদৌরিব্রা হায়বা ৱাখলসু খলহনখ্রবনি। পে-ষ্ট্রকচরগী মতাংদা ৱাখল তাদ্রিবা হায়বদি পেগা মরী থোয়দোক্লা লৈনরুদবা চমজরবা মীচম-মীয়ামশিংদা ইলেক্সনগী প্রোপেগন্দাগুম ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পংহায় হায়জিনবসিসু ফত্তে। তশেংনমক্কী খূৎশুমলশিংদুবু ফংগদৌরিবা অমদি খূৎশুমলশিংদুগী মওং-মতৌ খঙলিবা থৌমীশিংগী মফমদদি পূম্নমক্তু অরেম্বনি, ওইদবা ঙাঙবা হৈনবা লৈঙাক্কী মচিন তোঙবশিংগী থৌদৌনি হায়বসি মাঙজৌননা য়াম্না ময়েক শেংনা খঙনখি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা ইলেকসন্দা প্রোপেগন্দা তৌবদুগুম, থৌমীশিংগী খূৎশুমল লেপ্পগী মতাংদসু প্রোপেগন্দা তৌবসিদি চুম্লোই। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঙাইহাক লৈতনা য়াম্না তোয়না পল্লিবা, হন্দক্কী পে-রিভিজন্দা ইন্দিয়াগী ময়ায় লোইশঙগী থৌমীশিংগী খ্বাইদগী পীকপা থাগী খূৎশুমল লুপা ৭,০০০/- ওইরম্বদগী হৌজিক লুপা ১৮,০০০/- দা চাওখৎলে হায়বসিগী মনুংগী ওইবা ৱাহন্থোকশিংদু নৈনবা য়াই। মহৌশানা চহী ১০/১০ খুদিংগী খূৎশুমল নৌনা লেপ্লকপা খুদিংদা দিয়ারনেস এল্লাৱেন্স হায়বসি জিরোদগী হৌগনি। অদুগা পোৎ-চৈশিংগী মমল হেঙ্গৎলকপগী মতুং ইন্না চানবা চাংদা থা ৬ খুদিংগী এল্লাৱেন্স মখলসি থৌমীশিংগী খূৎশুমলগী বেসিক্তা মাঙজৌননা হাপ্তুনা লাকই। হৌজিক হৌজিক ওইরিবা এল্লাৱেন্সসিগী চাং চাদা ১২৫ নি। ফীভমসিদা হান্নগী খূৎশুমলদা লুপা ৭,০০০ কী চাদা ১২৫ গী চাং হায়বদি লুপা ৮,৭৫০/- অসি হান্নগী বেসিক লুপা ৭,০০০/- তা তিনশিল্লগা পূন্না লুপা ১৫,৭৫০/- দি ময়ায় লোইশঙগী থৌমীশিংগী খ্বাইদগী পীকপা খূৎশুমলগী বেসিক ওইনা হৌজিক হৌজিক চৎলিবনি। ফীভমসিদা লুপা ১৮,০০০/- দগী হৌহনবা হায়বসি, চহী ১০ গী মতুংদা খূৎশুমল নৌনা লেপ্লকপদা শুপ্নগী লুপা (১৮,০০০-১৫,৭৫০) = লুপা ২,২৫০/- খক্তং হেঙ্গৎহনবনি। শেনফমসিনা নৌনা শেল্লবা খূৎশুমল লৌরুরবা তুংদা, পে-রিভিজনগী মিংদা হেঙ্গলক্কদবা পোৎ-চৈশিংগী মমলশিং অমদি টেক্সশিংদু মায়োক্লবা ঙম্লগদ্রা? পোৎ-চৈশিংগী হেঙ্গৎলক্কদবা মমলশিংদু খূৎশুমলদা হাপকৎলকপা শেনফম্না মেনখৎপা ঙম্লক্ত্রবদি থাগী খূৎশুমল পীক্লা ফংজবা থৌমীশিংগী মফমদদি হান্নদগী হেন্না ৱাফম থোকত্রিবরা? লোয়ননা নৌনা লেপ্লকপা খূৎশুমলসিমক দিফিজিৎ (পুথবা) তারোইদবগী মরম লৈব্রা? অঙ্কসিদনি ইন্দিয়াগী ময়ায় লোইশঙশিংগী থৌমীশিংনা, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নৌনা লেপ্লকপা খূৎশুমলদুগীদমক ষ্ট্রাইক তৌগনি, লৌরোই হায়রম্লিবসি। থৌদৌসি মমাঙদা পানখিবা ইন্দিয়া লৈঙাকশিংগী মতমদা অমুক্তা থোক্লকখিদ্রি, মথক্তসু পঞ্জখ্রে। ৱাফমসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনসু শোয়দনা খঙলমগনি। খঙলমদবা থোক্লবসু মমাঙগী থৌদৌশিংগী রেকোর্দ কয়ামরুম লৈফম থোকই লোয়ননা হন্দকমক্তসু থৌমীশিংগী লুচিংবশিংনা, ফম্মিন্নদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিংবশিংদা ৱাফমশিংসি কয়ারক হন্না খঙহনখ্রে। থৌদৌসিদা ময়ায় লোইশঙগী থৌমীশিংনা মতম কক্তনা ষ্ট্রাইক চঙশিন্নবা শেম শারকপা নত্তনা মখোয়গী অতোপ্পা পাম্বৈশিং লৈরকখিদবনি হায়রি।

অদুবু অমবু ওইরসু-অমবু ওইরসু, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা চহী ১০ শুরকপা খুদিংগী ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা থৌমীশিংগী খূৎশুমল নৌনা লেপ্পগী থৌদৌসি ফাগী নত্তে। থৌদৌসি চুম্নগী এম এল এ নৎত্রগা মিনিষ্টর অমদা লোকেল ভোটরশিংনা পংহায় হায়, পঙনি-নিবগী থৌদৌদু ওইনা উহন্নবা হোৎনবা লানগনি। মমাঙদা হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর থাদা সুপ্রিম কোর্টকী রিটয়ার্দ জষ্টিশ মাথুরনা লুচিংদুনা পুথোক্লকখিবা চৎনবা য়াখিদ্রবা ৭ শুবা পে ষ্ট্রকচরদুমক হন্দকসু শুকশেম শেমদোক্তনা হান্নগুম্না পুথোক্লকপা হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা ষ্টাফ সাইদকী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীবনি লোয়ননা নুংশিবা ৱাৎপগী খুদমনি হায়বসি ময়েক শেংনা তাকই। ফীভমসিদা ইন্দিয়াগী ময়ায় লোইশঙশিংগী থৌমীশিংনা পাল্লিবা লৈঙাকসিবু লান্না উরোইদবগী মরম লৈব্রা? ইন্দিয়াগী ষ্টেট লৈঙাকশিংগী থৌমীশিংনসু হন্দক্কী ময়ায়-লোইশঙশিংগী থৌমীশিংগী খোঙজংসিদা নোংমা চুপ্না ষ্ট্রাইক শৌগৎকনি হায়বা ৱাফমসি মনুং হঞ্জিন্না খনবদা অসুক্কী মতিক ৱাহন্থোক লৈবা ৱাফমনি। হীরমসিদা ষ্টেট লৈঙাক্কী থৌমীশিংগী ফিরেপ্পুসু ময়ায় লোইশঙশিংগী থৌমীশিংনা হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎফম থোকই। পূম্নমকসি য়েংলুরগা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌদৌসি হন্দক্কী ৭ শুবা পে রিভিজনগী মতাংসিদদি, অসুক্কী মতিক মচিং মশোল নাইবা, ৱান-ৱেদা চৎপা, অনীরক হন্না খন্থবগী হৈনবী লৈতবা মীওই অমগী থৌদৌগা চপ মান্নগনি।